## অদেনগী লান্দা মীওই ৪০ শিখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

য়েমেনগী লান্দা ইনৌ নৌনা থা অসিগী ৮দগী খাং থংবা হিথাংফম সিটি অদেন্দা অকনবা লান হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২৬০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী লৈবাক অদুদা লৈরিবা হ্যূমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটরগী ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

## ইলিগেল প্রোটেষ্টশিং এদভর্টাইজ তৌদনবা গুগলদা খঙহনখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

রসিয়াগী ষ্টেট টেলিকম্যুনিকেসন্স ৱাটচদোগনা গুগলদা লোনা য়াদবা মীয়ামগী ইরাংশিং য়ুট্যূব ভিদিও প্লেটফোমদা এদভর্টাইজ তৌবা লেপ্পবা খঙহনখ্রে হায়না ৱাটচদোগ অসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মোস্কো সিটিগী লেজিসলেটিভ মেম্বরশিং খনবগী মীখল ফ্রী ওইনা পাউথোকউ হায়না দিমান্দ তৌদুনা পুলিসকী অথিংবশিং শীংদুনা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা প্রোটেষ্ট কয়া চত্থখিবনি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবা লৈরবসু অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্টগী মীখল য়েথোক্লরোই : অশ্রফ ঘানি



কাবুল, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা অফঘানিষ্টান দা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শান্নবা লৈরবসু অমদি টালিবান য়াওনা পার্টি কয়ানা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টগী মীখল পাঙথোকহন্নিংদবগী অপান্বা ফোঙদোক্লখিবা লৈরবসু মীখল অদু হান্না লেপখিবা মতমদা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ফেষ্টিভেল ইদ অল-অঝাহগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা অশ্রফ ঘানিনা হান্না লেপখিবা সেপ্তেম্বর ২৮ দা অফঘান প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল অদু শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পিছ প্রোসেসতা অরুবা ৱারেপ লৌবা ঙম্ম বগীদমক্তা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অফঘানিষ্টান্না প্রসিদেন্ট অমা তঙাইফদনা মীখল পাঙথোক্তুনা খনবা অমদি অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেমদুনা মপুং ফাবা ওথোরিটিগা লোয়ননা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবা হোৎনবগা মরী লৈননা অরুবা ৱারেপ কয়া লৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইফে ন্যূজগী মতুং ইন্না কটরগী কেপিটেল দোহাদা লৈবাক অদুগী মতম শাংলক্লবা লান লোইশিনবগী পান্দমদা চত্থরিবা পিছ নিগোসিএসন অদুনা মরম ওইদুনা মীখল অদু থিন্থবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ঘানিনা নাখৈ শেংনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অফঘান লালহৌবা গ্রুপ টালিবান অমদি অফঘান পোলিটিসিয়ন কয়ানা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অদুগী ফিভম অদুদা প্রসিদেন্টগী মীখল পঙথোকহন্নিংদবগী অপান্বা ফোঙদোক্লখিবনি।

ফোরেনরশিংনা পাম্মী পামদে হায়বা তোকঙা কয়া শন্দোক্লবা থেংনরে। লালহৌবা কাঙবুংশিংগী সেক্সন খরনসু মীখলগী মায়োক্তা পীবা কমেন্ট খরসু তারে। তৌইগুম্বসুং অফঘানিষ্টানগী তুংগী মরাইবক হায়বসি মপানগী লৈবাকশিংনা লেপকদবা নত্তে। ঐখোয়গী লৈবাক অমদি ঐখোয়গী মীয়ামগী লাইবক্তি ঐখোয়না অমদি লৈবাক অসিনা লেপচগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। সেপ্তেম্বরগী মীখলদা মায় পাকহন্দুনা টর্ম অমসু পায়নবা হোৎনরিবা ঘানিনা মীখল অসিদা মহাক্কী চীফ এগজিক্যূটিভ অব্দুলাহ অব্দুলাহ অমসুং অতৈ কেন্দিদেট ১৬ কা লম্না তৌনগদৌরিবনি।

## লিবিয়াগী বেনঘাঝিদা কার বোম পোকখায়বদা য়ু এন ষ্টাফ অহুম শিরে



বেনঘাঝি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

লিবিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা বেনঘাঝি সিটিদা থাংজ নুমিত্তা কার বোম অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা য়ু এন ষ্টাফ মেম্বর ৩ অমদি অতৈ মিসনগী মেম্বর ২ শিরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১১ দা লিবিয়াগী দিক্টেটর মুৱামর গদাফি চিংথুখিবদগী লৈবাক অসিদা লৈরকখিবা কাং খোং চাইবগী ফিভমগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা এপ্রিলদা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা লিবিয়ান নেসনল আর্মি (এল এন এ)গী ফোর্সনা অচৌবা এটেক অমা তৌখিবা কেপিটেল ট্রিপোলিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ট্রুস অমা পুরক্লবা ৱাতেন্লিঙৈদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ু এনগী স্পোক্সমেন বিনতৌ কৈতানা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা এটেক অদুনা মরম ওইদুনা য়ু এন্না লিবিয়া থাদোক্লবা ৱারেপ লৌবা লৈতে হায়খি অমদি এটেক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অকুপ্পা পন্দবিদা মীশি মীনা নংলবশিং অদু লিবিয়াদা থবক তৌবা মেম্বরশিংনি হায়খি।

## চাইনানা য়ু কেদা হোং কোংগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা হায়খ্রে



বৈজিং, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংদা হন্দক্তা থোকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা বৃটেনগী ফোরেন মিনিষ্টরনা দিমান্দ তৌখিবা মতুংদা বৈজিংনা থাংজ নুমিত্তা য়ুনাইটেদ কিংদমদা চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা চেকশিন্না হায়খ্রে।

হোং কোংগী চীফ এগজিক্যূটিভ কেরি লামগা ফোন্দা ৱারী শান্নরবা মতুং ইরাই নুমিত্তা বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা ইনভেষ্টিগেসন্দু পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবনি হায়না লন্দন্দা লৈবা ফোরেন ওফিসকী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

বৃটিশ গভর্নমেন্টনা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যূটিভতা হকথেংননা ফোন তৌশিন্দুনা প্রেসর পীরিবসিমক য়াম্না লাল্লি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন হুৱা চুনয়িংগী ষ্টেটমেন্টনা হায়খি।

চুনয়িংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনাগী মায়কৈদগী য়ু কেদা চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিনবা লেপ্পবা অমদি হোং কোংগী মতাংদা ইরাং থোক্লিংঙাই ওইবা নৎত্রগা ইরাং কনশিনহনগদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা লেপ্পবা কন্না তকশিল্লি। হৌজিক হোং কোং অসি বৃটিশ কোলোনি অমা ওইদ্রবনা য়ু কেনা মফম অসিগী ৱাথোক লানথোকশিংগী মতাংদা য়েংশিনবগী রাইট লৈত্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ১৯৯৭ তা হোং কোংবু বৃটিশনা চাইনিজ লৈঙাক্তা হন্দোকখিবদগী সিটি অসিদা থোরকখিবা খ্বাইদগী শাথিরবা পোলিটিকেলগী ৱাথোক্তা হৌখিবা চয়োল ৯ লোম অসি এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা সিটি অসিদা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।

বৃটিশ ফোরেন ওফিসনা ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রাবনা হোং কোংগী ইরাং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে হায়না পনখি। অমরোমদা, ষ্টেটমেন্ট অদুনা মফম অদুগী মীয়ামগী ইংনা চিক্লা প্রোটেষ্ট তৌবগী হক লৈজে হায়নসু পনখি।

## জেরুসলেমদা পলিষ্টিনিয়নশিংগা ইজরেলি পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে



জেরুসলেম, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

ইদ অল-অধা কুম্মৈগা মরী লৈননা লাই খুরুম্নবা হোৎনরিবা মুস্লিম লিশিং কয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা জেরুসলেমগী অল-অকসা মোস্কতা পুল্লিঙৈদা মোস্ক অসিগী মপান্দা ইরাং হৌরিবা পলিষ্টিনিয়নশিং তানখায়নবা হোৎনবদা ইজরেলি পুলিসনা সাউন্দ গ্রেনেদ কয়ামরুম কাপখ্রে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখ্রে।

পলিষ্টিনিয়ন এম্বুলেন্স সর্ভিস অমনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলি পুলিসগী এক্সন অদুদা অশোক-অপন নংখিবা য়ামদ্রবা পলিষ্টিনিয়ন ১৪ মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। ইজরেলগী কান পব্লিক রিদিওনা থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসর ৪ সু অশোক-অপন নংখি হায়না ফোঙদোকখি।

ইস্লামগী অহুমশুবা খ্বাইদগী শেংবা মফমদুগী মপান্দদা লৈবা কম্পাউন্দা পুলিসকা মুক্লরিবা পলিষ্টিনিয়নশিং অদুনা ঐখোয়গী থৱায় অমসুং ঈখেংনা অল-অকসা অমুক হন্না লৌশিল্লগনি হায়না লাউখি। ঙাইহাক্কী মনুংদা পুলিসকা মুক্লবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা ইজরেলি পুলিসকী মায়কৈদগী সাউন্দ গ্রেনেদশিং পোকখায়হল্লকপদগী মীয়াম অদু কায়খি অমসুং কম্পাওন্দ অদু মৈখুনা থনখি হায়না উহৌবশিংনা হায়খি।

জ্যুশিংনা বাইবলদা য়াওবা জ্যুৱিস লাইশঙ অনীগী মফমনি হায়না ইকাই খুম্নরিবা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনবা মফম অদুবু মুস্লিমশিংনদি নোবল সেঙ্কচ্যুরিনি হায়না ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা মফম অদু ইজরেলি-পলিষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্ট অদুদা খ্বাইদগী মরু ইরাং হৌনিঙাই ওইবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

চহী অসিগী ইদ অল-অধা কুম্মৈ অসি জ্যুশিংগী চাকহেন নুমিৎ টিসা বি' অভকা ফাংজিন্নরকখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা পলিষ্টিনিয়নশিং অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা উংখৎনরকখিবনি। মমাংদা জ্যুৱিস নেস্নেলিষ্ট অমসুং লাইনিং লাইশোন্দা অচেৎপা থাজবা থল্বা পোলিটিসিয়নশিংনা শেংলবা মফম অদুদা চৎননবা জ্যুশিংদা আপিল তৌবা লৈখ্রবনি।

## সিরিয়ন আর্মিনা রেবেলশিংদগী ষ্ট্রেটৈজিক টাউন লৌশিনখ্রে



বৈরুট, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

রেবেলশিংগী অরোইবা মরু ওইবা এনক্লেভনি হায়নরিবা ইদলিবতা লৈবা ষ্ট্রেটৈজিক্কী মীৎয়েংদা মরু ওইবা টাউন অমা সিরিয়াগী আর্মিনা খুদুম চনখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমা অমসুং সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী মীচং হেঝবোলাহনা চল্লাইবা মিলিটরি মিদিয়া য়ুনিট অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অল-হোবেট হায়না খঙনবা টাউন অদুবু খুদুম চনখিবসি থা অহুমগী মমাংদা ইদলিবতা অকনবা ওফেন্সিভ হৌখিবদগী সিরিয়ন আর্মিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা খুমাং চাওশিনবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবা য়াই হায়না বৃটেন্দা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যূমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

হেঝবোলাহগী মিদিয়া য়ুনিটনা টাউন অদুবু ইদলিবকী খাং থংবা পাক চাওরবা রুরেল এরিয়া অমদি মরু ওইবা দামাক্সস-অলেপো হায়ৱেগা লোয়ননা খান সৈখোন সিটিনচিংবা মফম কয়াদা য়ৌশিনবা য়াবা খোঙহাই চারবা মফম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

রেবেলশিংনা অল-হোবেটতা শোক্লরিবা লান অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রিবা ওইরবসু মখোয়না চয়োল অসিদা অতেনবা মতমগী সীজফয়ার অমগী মতুং আর্মিগী এটেক কনখৎলকখিবদা মখোয়না কন্ট্রোল তৌরিবা লম খরা এটেক্করশিংনা মুনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন আর্মি অমসুং মীচংশিংনা থাংজ নুমিত্তা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা কোমশাং কয়া তৌদুনা ফিভম শেমদুনা লৈরিবা রেবেলশিংগী মথক্তা এয়র অমসুং আর্টিলরি ষ্ট্রাইক ২০০০ রোম চত্থখিবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্তা ফাইটর ১০০ হেন্না শিখি হায়না ওবজার্ভেটরি অসিনা হায়খি।

কুমজা ২০১৫ দা রসিয়ানা লান অদুদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী মীচংদা লেপ্তুনা শরুক য়াখিবদগী থা অহুমগী ওফেন্সিভ অদুদা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা রেবেলশিংগী মায়োক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ইঙম ঙমখিদে হায়নদুনা লাকখিবনি। রেবেল গ্রুপ খরা শৌগৎলিবা টর্কিনা এনক্লেভ অদুগী ফ্রন্টলাইনশিংগী অকোয়বদা মিলিটরি ওবজার্ভেসন পোষ্ট খরা থমজিনখিবদগী সিরিয়ন আর্মিনা চঙশিনবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লখিবনি।

## এল পাসোদা মীওই ২২ হাৎখিবা গনমেন্না মেক্সিকানশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চত্থখিবনি হায়খ্রে






এল পাসো, টেক্সাস, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা টেক্সাসকী এল পাসোদা লৈবা ৱালমার্টতা অউবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপ্তুনা পুন্না মীওই ২২ হাৎখিবগী মরাল শীখ্রবা গনমেন অদুনা পুলিসতা সরেন্দর তৌবদা মেক্সিকানশিংদা টার্গেট তৌদুনা মহাক্না এটেক অদু চত্থখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়বসি ইরাই নুমিত্তা ফোঙখিবা এল পাসো পুলিসগী এফিদেভিট অমনা উৎখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা পেট্রিক ক্রুসিয়স কৌবা ৱালমার্টকী থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনরিবা মীওই অসিনা মহাক্কী গাড়িদগী কুমথদুনা লম্বীদা লেপ্লগা নোংমৈ কাপ্পা মীওইদু ঐহাক্নি হায়না খোঙজেল হৌনা লাউরকখি হায়না থৌদোক অদুগী মতুং নোংমা কান্নরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিটেক্টিভ অদ্রিয়ন গর্সিয়না পুলিসকী এফিদেভিট অদুদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মায়োক্তা এল পাসোদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমগী ওর্গনাইজরশিংনা হায়খি মদুদি, মখোয়না মীওইবনা মীওইববু হঙ্গৈাই তুক্কচৎপা উৎপা থৌওংশিংগী মায়োক্তা লেপকনি। ক্রুসিয়সপু মীওই কয়া হাৎপগী মরাল শীবগা লোয়ননা বোন্দ য়াওদনা ফাজিন্দুনা থমখি।

ক্রুসিয়সপু ফাখিবা মতমদা মহাক্না দিটেক্টিভশিংদা এ কে ৪৭ রাইফল অমা অমদি মেগজিন কয়ামরুমগা লোয়ননা মহাক ৱালমার্টতা চঙখি হায়না ফোঙদোকখি। দিফেন্দেন্ট অসিনা মহাক্কী টার্গেটশিং মেক্সিকানশিংনি হায়খি হায়না এফেদেভিট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হিস্পানিকশিংনা লান্দাবগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা উৎপা মেনিফেষ্টো অমা ওনলাইন্দা থাগৎলকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা হৌখিবা থাংজদা ৱালমার্টতা মীওই ২২ হাৎখি অমসুং মীওই ২০গী মথক্তা অশোক-অপন নংহনখি হায়না ক্রুসিয়সপু মরাল শীরিবনি হায়রি।

## কারাচিদা নোং কন্না চুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখ্রে



কারাচি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগী খাং থংবা কারাচি সিটিগী মফম কয়াদা থংন-থংননা নিনিচনবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোং লেপ্তুনা অমসুং কন্না চুখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না দোনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা কারাচিগী খয়াবন-ঈ-সেহবাঝ এরিয়াদা মীওই অনী মৈনা চিংদুনা শিখি। মদুগী মমাংদা কাবাহ কোলোনিদা য়ুম নীংখায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিখি অমসুং ভাতাহ ভেলিজদসু মৈনা চিংদুনা মীওই ২ শিখি। নুমিৎ নিনি লেপ্তুনা নোং কন্না চুবনা মরম ওইনা সিটি অদুগী মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই ফেল ওইখিবনি।

মেট ওফিসকী মতুং ইন্না নোং তাবগী চাং সুরজানি টাউন্দা এম এম ১৫০.৬ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংখি অমদি গুলসন-ঈ-হদিদতা এম এম ১৪৯ রেকোর্দ তৌদুনা অনীশুবা নোং খ্বাইদগী য়াম্না তাবা মফম ওইখি। এয়রপোর্টতা এম এম ১২৬ কী চাংদা নোং চুখি অদুগা লন্দিদা এম এম ১১৭.৫কী চাংদা নোং চুখি হায়না জিও টি ভিগী রিপোর্টনা হায়খি।

পাকিষ্টানগী পৱার সপ্লাই কম্পনি কে-ইলেক্ট্রিক্না পরিং নাইনা থাদোরকখিবা ত্বিটশিংদা মীয়ামদা অশোই-অঙাম থোকহন্দবগীদমক্তা ঈচাও মায়োক্লরিবা সিটিগী এরিয়াশিংদা মতম খরগী ওইনা তঙাইফদনা মখোয়না মৈ পীবা লেপ্লে হায়না পনখি।

ইলেক্ট্রিকেল ইন্সটোলেসনশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লিবা লেপ্পা লৈতনা নোং চুবা অমদি ঈশিং থুমজিল্লকপগী ফিভমশিংনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা মখা তানা মৈ পীবা হৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লারি হায়নাকে ঈনা ফোঙদোকখি।

## ক্রিমিয়াদা ফ্যুএল পীখিবগী মতাংদা য়ুক্রেন্না ভেসেল অমা সর্চ তৌখ্রে




কিভ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি) :

কুমজা ২০১৫ দা রসিয়ানা লৌশিনখিবা ক্রিমিয়াদা রসিয়ন নেভিদা লোনা য়াদবা মওংদা ফ্যুএল সপ্লাই তৌখি হায়বগী চিংনবা লৈবা থৌদোক অমগী মতাংদা চত্থবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী শরুক ওইনা থাংজ নুমিত্তা ব্লেক সীগী খের্সোন হিথাংফমদা ভেসেল অমা সর্চ তৌহনখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী ক্রিমিয়া পেনিন্সুলা নমদুনা লৌশিনখিবদগী অমসুং রসিয়ানা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লান হৌরিবা প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্টশিং শৌগৎপদগী কিভ অমসুং মোস্কোগী মরী শোকচিল্লকখিবনি।

য়ুক্রেনগী লো মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংগী অয়াবা য়াওদনা ক্রিমিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চঙবা হায়বসি ইলিগেল ওই। য়ুক্রেনিয়ন প্রোসিক্যুটরশিংগী ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মরিয়া কৌবা জহাজ অদুনা কুমজা ২০১৫ দা ক্রিমিয়াদা লৈরিবা রসিয়াগী ব্লেক সী ফ্লীটতা ফ্যুএল পীখি হায়বগী চিংনবসিদা য়ুম্ফম ওইরগা হৌজিক ভেসেল অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরিবনি। প্রোসিক্যুটরশিংগী ওফিসনা খের্সোন্দা ওইল প্রদক্ট স্মগ্লিং চত্থখি হায়বগী চিংনবা লৈখিবা ভেসেল মরিয়াদা সর্চ অমা পাঙথোকখি।

কুমজা ২০১৫ গী জুন্দা ভিলগা হায়বা মিং শীজিন্নখিবা ভেসেল অসিমক্না সেভাষ্টোপোলদা লৈরিবা রসিয়ন ব্লেক সী ফ্লীটকী য়ুনিটশিংদা ফ্যুএল সপ্লাই তৌখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। ভেসেল অদু কনাগীনো হায়বগী মতাংদদি ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে।